ইন্দিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা দিফেন্সকী লমদা য়ান্ন–চে অমা ইন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৭ ঃ

ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসনা শিংথানিংঙাই ওইরবা দিফেন্স পেক বেকা ইন্নখ্রে। হায়রিবা য়ান্নবা অদুনা লান্মীগী টেক্নোলোজি জিওস্পেটিয়েল মেপশিং অমসুং ক্লাসিফাইদ সেটিলাইট দাটা লান্মী অনিগী মরক্তা সিয়ার তৌবদা অয়াবা পীরগনি। লৈবাক অনিনা য়ান্নখিবা অদু ঙসি অৱাংবা থাক্তা পাংথোকখিবা মীফম অমদনি।

লৈবাক অনিগী মীহুৎশিংনা চাইনানা শেন্মীৎলোন অমসুং লান্মীগী ওইবা মশা মরেং ফন্দোরকপা মরক্তা ইন্দো–পেসিফিক রিজন্দা লৈবাক অনিগী সেক্যুরিটি মরি ফগৎহন্নবা অমদি লাল্লোংগী ওইবা তেংবাং পাংননবা অচেৎপা ৱাফমসু ফোংদোক্লখি।

এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্কর অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা 2+2 গী ওইবা ৱারী শান্নবগী অহুন্নকশুবা এদিসন য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও অমসুং দিফেন্স সেক্রেটরি মাক টি এস্পরগা লোয়ননা পাংথোকখি। নাকল অনিমকপু মখোয় মখোয়গী অৱাংবা থাক্কী লান্মী অমসুং সেক্যুরিটি ওফিসিয়েল মকোকশিংনা মতেং পাংখি।

হাই লেবেল ইন্টরেক্সন অদু চাইনানা ইন্দো–পেসিফিক রিজন্দা মখোয়গী শেন্মীৎলোন অমসুং লান্মীগী ওইবা ইনফ্লুয়েন্স কনখৎনবা কন্না হোৎনরিঙৈ অমদি ইষ্টর্ন লদাখতা ইন্দিয়াগা কন্না উংখৎনরঙৈ মরক্তনি। ৱারী শান্নবদা য়ু এসকী মাইকৈদগী ইন্দিয়াদা থাজবা পীরকখিবদি মখোয়না ইন্দিয়াগী মনিং মখা তন্বা অমদি ঙমখৈদা পীরকপা থ্রেটশিং মায়োক্লবদা মীচং ওইনা লেপকনি হায়বসিনি।

জয়সঙ্করগা লোয়ননা পাংথোকখিবা জোইন্ট মেদিয়া ইভেন্ট অমদা পোম্পিও অমদি এস্পর, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খিবদা নাকল অনিনা বেকা য়ান্ন–চে ইন্নখিবদা নত্তনা মরু ওইবা ইসু কয়াদা কুপ্পা খন্নখি। য়ান্ন–চে অদুদা য়ু এসনা ইন্নখিবসি খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না পনখি।

লান্মীগা লান্মীগা তেংবাংনবা অসি মাংলোমদা চংশিল্লি। অপুনবা মওংদা দিফেন্স ইকুবমেন্ট শেমগৎনবা প্রোজেক্টশিং খংদোকপা ঙম্লে হায়খি। ইন্দো–পেসিফিক রিজন্দা শান্তি অমসুং সেক্যুরিটি পুরক্কনি হায়বা ৱাফম পনখ্রবনি। পোম্পিওনা হায়খিবদা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি অমা ওইরিবা লৈবাক্কীদমক মথৱাই কনখিবা লান্মীশিংবু নিংশিংবা ওইনা মখোয়না ইকাই খুম্নবা উৎলি। চাইনাগী পি এল এ ফোর্সনা গলৱান ভেলিদা হাৎখিবা লান্মী ২০ অদুসু অরেম্বা নত্তে হায়খি।

য়ু এসনা ইন্দিয়া মীয়ামগীদমক লেপকনি। মখোয়গী মনিং মখা তম্বদা লাক্লিবা শিংনবশিং মায়োক্লবা মতমদা তেংবাংগনি হায়খি।

মনিপুরদসু য়ৌরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

লৈবাক অসিগী মশিং য়াল্লবা লৌমীশিংগী অহেনবা শেন্থোক লাকহন্নবা মিংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পাউতাক মখাদা হৌখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী চৎন কাংলোনশিং থুগাইদুনা মশিং য়াম্বগী শক্তি মখাদা পাস তৌখ্রবা এগ্রিকলচরেল রিফোর্স বিল মরি লৈখি। হায়রিবা বিলশিং অদু ওন্ন–তৈনবা শাফু মনিপুরদসু তৌরক্লে। হিংবদা চংবা তঙাইফদ্রবা পোৎলমশিং মমল হেন্না য়োলহন্দনবা অমদি শেঞ্জাও পায়বশিংনা চান থক্লবা পোৎলমশিং পৈশিনবা থিংনবা এক্ত চৎনহনখিদবনি হায়রি।

মিনিষ্টরনা ফিস ফেদ মিল প্লান্ট য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

ফিসরিজ মিনিষ্টর এস রাজেন সিংহনা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা ফিস ফেদ মিল প্লান্ট য়েংশিনখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মেন্টেল তৌবা ইম্ফাল ইষ্টকী ফিস ফার্মসু য়েংশিনখি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদনা মিনিষ্টর রাজেন্না হায়খিবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা ফিস ফার্মশিং অসি অপগ্রেট তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটকী ফার্মশিং অসি য়ৌগদবা চাং য়ৌদ্রি। ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী ওইনা লৈরিবা বজেটরি এলোকেসন য়াম্না য়ামদে। গভর্নমেন্টনা মেন্টেল তৌবা ফার্মশিং অপগ্রেট তৌবদা ফন্দ হেন্না চংই। হায়রিবা ফার্মশিং অদু ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবনি।

ষ্টেটকী এক্সচেকরদা তঙাইফদবা ফন্দ সেঙ্কসন তৌনবগী অৱাৎপা লৈরবদি নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন ঈ সি) দা শেলগী তেংবাং পীনবা হায়জগনি।

মহাক্না মরি লৈনবা ওফিসারশিংদা হিরমসিগী মতাংদা দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট শেম্নবা পাউতাক পীখি। মদুদা নত্তনা মিনিষ্টর ফিসরিজ ওফিসিয়েল অমসু ষ্টাফশিংদা কখোকপগা লোয়ননা পুকচেল শেংনা থবক তৌদুনা দিপার্টমেন্টনা ঙাগী পোখোক হেন্না পুথোক্কবা ৱাফম থমখি।

মিনিষ্টর রাজেন্না গভর্নমেন্ট ফিস ফেদ মিল প্লান্ট য়েংশিনবা চৎপদা প্লান্ট অদুদা লৈরিবা মেছিন অমসুং ইক্যুবমেন্টশিং অসি কেপাসিটি য়ামদবা মরমনা হেন্না শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। অনৌবা হাইটেক প্লান্ট অমা ইন্সটোল তৌদুনা ঙাগী মচিঞ্জাক হেন্না পুথোকপা ঙমগনি। মহাক্না ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তরবুসু থৌৱাং কয়া পায়খৎনবা খংহনখি।

ডাক্তর ইবেয়াইমা ইনোভেসন এৱার্দ ২০২০ পাংথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

মনিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিল (মাষ্টেক)না দাক্তর ইবেয়াইমা ইনোভেসন এৱার্দ ২০২০ চহি অসিগী ওইনা পাংথোক্লগনি।

এৱার্দ অসি কনাদাগী ওন্টারিওদা লৈবা ৱাইদবাইদা বেজ তৌবা মনিপুরী এসোসিয়েসন ওফ কনাদা (এম এ সি) না মখোয়গী লৈখিদ্রবী মেম্বর দাক্তর হিজম ইবেয়াইমা দেবীগী মমিংদা দোনেট তৌরকপনি। কেস এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০, সাইটেসন অমদি মেমোন্টো অমা য়াওরি। মনা অসি মনিপুরদা লৈবা লন্নাই মীওই অমদি লুপশিংনা সাইন্টিফিক অমসুং টেক্নিকেল ইনোভেসনশিংগী লমদা তৌবা থবকশিং অমদি ষ্টেট অসিদগী হৌখিবা শিংদা পিগদবা মনানি। মসিগীদমক নবেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা মাষ্টেক্তা ফোর্ম থাজিল্লকপা য়াগনি।

নিঙৌলদা কোবিদ–১৯ গী এৱার্নেস পাংথোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

কোলিসন এগেন্টস দ্রগস এন্দ অলকোহল (কাদা) না কোবিদ–১৯ গী মতাংদা চখরকপা এৱার্নেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ওক্টোবর ২৭ তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নিঙৌল কম্যুনিটি হোলদা কাদা, নিঙৌল ভিলেজ ওথোরিটি অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱুমেন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা) গা পুন্না খুৎশম্নদুনা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পাংথোকখ্রে।

পাংথোকখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, সেনিয়ার সিটিজন মোইরাংথেম শ্যামকহ্নাই অমসুং থৌবাল ইমাগী সেক্রেটরি অহন্থেম অহনবীনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী ৱাঙাংলোই ওইনা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপানজিৎ নিংথৌজম অমসুং থৌবাল ইমাগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি মৈস্নাম মংলেম্বীনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱাঙাংলোই ওইখিবী থৌবাল ইমাগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি মংলেম্বীনা হায়খিবদা মহাক মশামক কোবিদ–১৯ পোজিটিব ওইরুরে। মহাক্না পোজিটিব ওইদুনা কোবিদ কেয়ার সেন্টরদা লৈরিঙৈ মতমদদি পেসেন্ট য়ামদ্রিঙৈ মতম ওইবনা অদুক্কী মতিক কেয়ার লৌরম্বনি। অদুগা ক্বারেন্টাইন মতম লোইদুনা য়ুমদা চৎলমদাইদসু কোবিদ টেষ্ট তৌরম্মী। হৌজিক্তি কোবিদ পোজিটিব ওইবা মীওই মশিং লেপ্তুনা হেঙ্গৎলকপনা মনিপুর লৈঙাক্লা কোবিদ–১৯ পোজিটিব ওইরবা মীওই অমা নুমিৎ ১০ নি কোবিদ কেয়ার সেন্টরদা লৈহল্লবা মতুংদা টেষ্ট তৌদনা ময়ুমদা থাদোরকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। য়ুমদা লাক্লবা মতুংদা পোজিটিব ওইরম্বা থোক্লবদি মদুনা অমুক কৈরোই লৈকাইদা পাক শন্না শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা পোকহল্লে হায়খি।

থৌরমদা শরুক য়াখিবা সেনিয়ার সিটিজন শ্যামকহ্নাইনা হায়খিবদা ঙসি পাংথোক্লিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুনা কোবিদ–১৯ গী লায়চৎশিং থেংনবদা অচৌবা কান্নবা অমা ওইরগনি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক কোবিদ–১৯ দগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাংশিং মপুং ফানা লৌখৎমিন্নরসি হায়না থমখি।

পাংথোকখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই খুদিংমক্তা ফেস মাস্ক য়েন্থোকখি অমদি ফেস মাস্ক করম্না উপকনি হায়বগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি।

হিদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

মনিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ওইরম্বা টিঐচ লোকেশ্বরনা ফেস মাস্ক, পি পি ঈ, হেন্দ গ্লোব, সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইদ, সেনিটাইজর মেছিনশিং লম্লাই কেন্দ্রগী খরাসোব য়ুথ ক্লবতা পীরক্তুনা ঙসি খরাসোন খুল অপুম্বা সেনিটাইজ তৌনবা হাইপোক্লোরাইদ কাপথোকখ্রে।

খরাসোন য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খরাসোন খুলদা কোবিদ–১৯ পোজিটিব ওইবা য়াওরকপদগী হৌজিক হৌজিক মীওই কয়া কোবিদ কেয়ার সেন্টরদা লৈরি। কোবিদ–১৯ জোইন্ট তাস্ক ফোর্স পৌরাবীদা টিঐচ লোকেশ্বরনা সেনিটাইজর অমদি পোৎলমশিং অদু পীরম্বগীদমক জোইন্ট তাস্ক ফোর্সনা পোৎলমশিং অদু পৌরাবী য়ুথ ক্লবতা পীখিবনি হায়রি।

এম এল এ লৈত্রবসু মীয়াম ৱাহন্দনবা হোৎনগনি

থৌবাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি) গী কো–ওপটেদ মেম্বর অমদি সোসিয়েল ৱার্কর কৈশাম নিংথেমজাওনা অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুংদা লৈরিবা পোলিং ৱাইস ওইনা চেঙ অমদি নোংমদা তঙাইফদবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ৭ / ২৯ তোপ চিংথা নিংথৌনাইগী য়ুমথোং খুদিংগী ভোটর ৮৮৭ দা চেঙ কেজি ৫/৫ য়েন্থোকখ্রে। লেপ্তুনা চখরকপা থৌরম অদুদগা মরি লৈননা কে নিংথেমজাওনা হায়খিবদা কোবিদ–১৯গী অৱা চৈথেং মায়োক্লদুনা থবক শুফম খংদ্রবা মীয়ামদা মশাগী য়ুমদা এম এস এম ইগী মখাদা খুৎশা হৈবগী থবক পায়খৎনবা অমদি শেন্থোক লম্বী লাক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা নুপী হেল্ফ সেল্প গ্রুপ ২০০ রোমদা শেন্থং পীবা অমদি মেটেরিয়েল পিবগী থবক পায়খৎতুনা লাক্লি।

এম এল এ লৈত্রবসু মহাক্কী মাইকৈদগী অঙম্বা পুথোক্তুনা মীয়াম ৱাহন্দনবা হোৎনগনি। লোয়ননা মালেমগী লায়চৎ অসিনা থবক শুফম খংদ্রবা মীয়ামদা নোংমগী তঙাইফদনা চংবা চেঙ কেজি ৫ / ৫ ঙসি ভোটরশিংদা য়েন্থোকপনি হায়খি। কেন্দ্র অদুগী ওইনদি ইলেক্তেদ এম এল এসু লৈতবনা গভর্নমেন্টকী মাইকৈদগী পীরক্কদবা চাকথুংসু মীয়ামনা ফংদে, মদুনা মহাক্কী মাইকৈদগী থা খুদিংগী অঙম্বা মতেং খরা পীবা অদুবু হরাওনা লৌবিয়ু হায়খি।

মীয়ামগী মতেং পাংবসিনা অপেনবনি, মপি মপা লৈত্রবা কেন্দ্র অসিদা মনিপুর লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চংনবসু কৈশাম নিংথেমজাওনা আপিল তৌরকখি।

জন অন্দোলন কেম্পেইন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেস তেংনৌপল অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অনিনা এম সি এম, একোদোম, এম এম সি এম, টামিল সঙ্গম, ইমা লুপশিং অমদি অতৈ তোঙান তোঙানবা সি এস ওশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মীতৈ কাউন্সিল মোরেগী ওফিস্তা জন অন্দোলন কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা কোবিদ–১৯ লায়চৎকী মতাংদা মীয়াম পুন্না ভাব তামিন্নবগী মীফম অমা পাংথোকখ্রে। মীফম অদুদা দি সি অমদি এস পিনা মীয়ামদা এৱার্নেস শন্দোক্লবা ৱাফমসু থমখি।

মনিপুরদা লৈরিবা এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী সিট মশিং হেঙ্গৎপিয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

অপুনবা ইমাগী মচাশিং (এইমস) মনিপুরনা ষ্টেট অসিগী গভর্নর, চিফ মিনিষ্টর অমসুং এদুকেসন মিনিষ্টরদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী সিট মশিংশিং হেঙ্গৎনবা ৱাফম খংহনখ্রে হায়রি।

এইমসনা হায়খিবদা কোবিদ–১৯ পেন্দেমিক অসি অথুবা মতমদা সোল্ব তৌবা ঙম্লোইদবা অমদি নিংথম থাগী মতম লাকপদা কেস মশিং য়ামখৎলক্কদবা লৈরি। মরক অসিদা ষ্টেট অসিগী মহৈরোয় ৫০০০০ রোমনা লৈবাক অসিগী অমসুং মীরৈবাক্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা প্রোফেস্নেল অমসুং নন–প্রোফেস্নেল কোর্ছশিংদা মহৈ তম্লি। কোবিদ–১৯ লায়চৎ থোরক্লবা মতুংদা য়াল্লবা মনিপুরীশিং মনিপুরদা হল্লকখ্রে। মনিপুরদা নোভেল কোরোনা ভাইরসকী কেস মশিং হেঙ্গৎলকপগী ফিবমদা মখোয়না হান্না মহৈ তম্লম্বা মফমশিং অদুদা অমুক অথুবা মতমদা হনবগী তাঞ্জা লৈরোইদৌরি। মরম অদুনা মহৈরোয়শিং অসি ফিবমনা য়াদদুনা মনিপুরদা লৈবা তাবনি। মখোয় কয়া অমদি মনিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা মিং চন্নবগীদমক এপ্লাই তৌখ্রে। অদুমকপু মখোয় মনিপুরদা লৈরিবা এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা অকক্লবা সিট লৈবা মরমনা মিং চনবা ফংলোইদবগী ফিবম অমদা লৈরি।

মহৈরোয় কয়ানা মমিং চনবা ফংদ্রবদি মনিপুরদা লৈরিবা নহাশিংগী মরক্তা প্রোব্লেম কয়া থোরক্কনি। অমদি মখোয়গী কেরিয়ার মাংবা য়াবগী তন্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরে। মরম অসিনা মনিপুরগী নহা কয়াগী কেরিয়ার মাংহন্দনবা অমদি মশিং য়াম্না মপাল লমদগী হল্লকখিবা মহৈরোয়শিংবু মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা মিং চনবা ফংনবা হোৎনবিয়ু হায়রি।

মনিপুরদা লৈরিবা এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিং মরু ওইনা মনিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু), সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (কাউ), ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি (দি য়ু), মনিপুরী য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর, মনিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু), ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (আই আই আই টি), নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু), মনিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি), ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওরিসোর্ছেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই বি এস দি), জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস), রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস), নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি অমদি মনিপুরগী গভর্নমেন্ট স্কুলশিংদা সিট মশিং হেঙ্গৎহন্দুনা মপান্দগী হল্লক্লবা মহৈরোয়শিংবু অমুক হন্না মহৈ তম্বা ফংনবা ৱাফম ফোংদোরক্লি।

জাইরোলপোকপিদা মনিরেদানা লম দিমার্কেসন তৌগনু

জিরিবাম, ওক্টোবর ২৭ ঃ

জিরিবামগী ১৫–জাইরোলপোকপী রেভিন্যুজ ভিলেজদা লৈবা লম দাগ নম্বর ৩০০২, ৩০০৩, ৩০০৪ অমদি ৩০০৫ অসিগী মনুংদা লৈবা লম অসিদা মনিপুর রিনুয়েবল ইনর্জি দিভলপমেন্ট এজেন্সি (মনিরেদা) না ৫০–এম দব্লিয়ু সোলর পৱার প্লান্ট শানবা লম দিমার্কেসন তৌগনি হায়রিবা অসি লমশিংগী মপুশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। লোয়ননা লম দিমার্কেসন তৌদনবা জিরিবামগী দি সিদা চেরোল অমসু পীশিনখ্রে হায়রি।

লমগী মপু অমা ওইরিবা মুতুম প্রেমচন্দ্র কৌবা মীওই অমনা পাউমীশিংদা ফোংদোরকখিবদা মনিরেদা অমদি মনিপুর গভর্নমেন্টকী মাইকৈদগী জিরিবামগী জাইরোলপোকপীগী মফম অদুদা জোইন্ট দিমার্কেসন অমা তৌগনি হায়না লম মপুশিংদা নোটিস অমা পীরক্লিবসি লমশিংগী মপু ওইরিবা লৌমীশিংনা য়ানিংদে। হায়রিবা লমশিং অদু মপুশিংনা চহি ১৫ গী মমাংদা লমশিং কোকথোক্তুনা হিংনবগী শেন্দান লম্বী ওইনবা ফিসরিজ অমদি রবরগী ফার্ম তৌদুনা ইমুং মনুংগী শেন্দান লম্বী ওইদুনা পুকচাক ওইরিবনি। মীয়ামগী পুকচাক অসি মুনবিগনু।

মনিরেদা অমদি মরি লৈনবা ওথোরিটিনা লম দিমার্কেসন তৌবিগনু হায়খি।

লম মপুশিংনা ঙসি জিরিবামগী দিপ্যুটি কম্মিস্নারদা পিশিনখিবা চেরোলদা জাইরোলপোকপগী লমসি লমগী মপুশিংনা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী রবর বোর্দকী মাইকৈদগী সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা পিবা শেনফম কয়া থাদদুনা রবর পাম্বীশিং থাদুনা অমদি মফম অদুদা ঙাগী ফার্ম তৌদুনা শেন্দান লম্বী ওইনা ইমুং মনুংশিং পুরিবনি। মফম অদুদা পুন্না মীওই ১৫না রবর ফার্ম তৌই। ফিসরিজ ফার্মসু তৌই হায়রি।

থাং–তাগী থৌরম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

থাং–তা দে ওবজার্বেসন কম্মিটিনা হৌখিবা ওক্টোবর ১৬ তগী হৌদুনা নবেম্বর ১৫ ফাওবা থা অমা চুপ্পা চখ্থগদবা থাং–তাগী নুমিৎকী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ১৩নি চনবা নুমিত্তা ওবজার্বেসন কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা থাং–তা ফোর হেল্দি নেসন হায়বা পান্দমদা তেলৌদা লৈবা এক্সলেন্ট ট্যুটরিয়েল সেন্টরনা শিন্দুনা সেন্টর অসিগী ওজা মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা ওবজার্বেসন কম্মিটিগী চিয়ারমেন ইরোম ইবোমচা অমদি কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট এন অজিৎকুমার মঙাংনা শরুক য়াদুনা মহৈরোয়শিংদা এৱার্নেস পীবগী থৌরম অমা পাংথোকখি।

মখা তারকপা ওইনা মহৈরোয়শিংনা ঙসি মীয়াম্না লাম্হেংনরিবা লায়চৎ কোবিদ–১৯ বু লাম্হেংনবা ঙম্নবা চখ্থরকপা তোঙান তোঙানবা থাং–তাগী শকশেল কাংলোনশিংগী শরুক অমা ওইরিবা হকচাং ফনা লৈনবা হকচাং শাজেলসু শান্নখি।

থৌরম অদুদা লৈঙাক্লা পীরিবা কোবিদ–১৯ গী চৎন কাংলোন (এস ও পি) ঙাক্লা ‘থাং–তা ফোর হেল্দি নেসন’ হায়বা পান্দমদা থৌরম অদুদা ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংদা পাউতাক কয়াসু পীখি।

অৱাবা ফোংবগী পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

ন্যু চুরাচান্দপুরদা লৈখিদ্রবা ফিলেম ইবোতোম্বী মীতৈনা ওক্টোবর ২৫ দা লৈখিদবদা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা অৱাবা ফোংদোকপগী পাউজেল থান্নরক্লি।

মীতৈ মরুপকী সেক্রেটরি জেনরেলনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফিলেম ইবোতোম্বী অপোকপা লাইনিং মীতৈ শঙলেন্দগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইরম্মী হায়রি।

নাকল অমরোমদা কো–ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী এদভাইজর অমদি খুরাই পানা অপুনবা শিঙলুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মোইরাংথেম য়াইমানা ওক্টোবর ১৩ দা লৈখিদবদা কো–ওর্দিনেটিং বোদি খুরাই অমদি খুরাই পানা অপুনবা শিঙলুপ অনিনা অৱাবা ফোংদোক্তুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা অসামদা লৈবা মৈতৈশিংগী লুচিংবা অমা ওইরম্বা ডাঃ করাম ইবুঙোহলনা ওক্টোবর ২৫ দা লৈখিদবদা য়েলহৌমী থৌপৈ লুপনা অৱাবা ফোংদোরক্লি অমদি অসাম মনিপুরী সাহিত্য পরিষদগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্বা প্রোঃ করাম ইবুঙোহল সিংহনা লৈখিদবদা আর কে মিসন অৱাং পোৎশংবম খুলেনগী মীহুৎশিংনা লুপ অসিগী ওফিস্তা অৱাবা মীফম অমা পাংথোকখ্রে হায়রি।

ৱার্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দে পাংথোকখ্রে

চান্দেল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

মেন্টেল হেল্থ ফোর ওল। গ্রেটর ইনভেষ্টমেন্ট–গ্রেটর এসেস। এভ্রিৱান, এভ্রিৱয়ার... ইন্টরনেসনেল হায়বা থিমগী মখাদা চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি চান্দেলনা শিন্দুনা ঙসি ২৯ শুবা ৱার্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দে ২০২০ পাংথোকখ্রে।

চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পাংথোকখিবা থৌরম অদুদা চিফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ সেরথানি সেরবুমনা চিফ গেষ্ট, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ জয়সন মথিয়ুনা ফঙ্কস্নেল প্রসিদেন্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট নোদল ওফিসার ডাঃ গিলবার্তনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা সাইকোলোজিকেল ইম্পেক্ট ওফ কোবিদ–১৯ পেন্দেমিক হায়বা হিরমদা অখং অহৈশিংনা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লখি।

পুন্না খন্ন নৈনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপল অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অনিনা ঐচ টি সিগী মখাদা লৈবা য়ুনিট নম্বর ১ দগী ১২ ফাওবা, এম ৱাই সি, কে দব্লিয়ু য়ু এন ঐচ আর মোরে অমদি কুকি চিফস এসোসিয়েসন মোরে ব্লোকশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ঙসি হিল ত্রাইবেল কাউন্সিল কনফরেন্স হোলদা জন–অন্দোলন কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা কোবিদ–১৯ লায়চৎতগী চেকশিন্না লৈবা পুন্না খন্ন–নৈনবগী মীফম অমা পাংথোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদুদা দি সি তেংনৌপল ময়াংলম্বম রাজকুমার, এস পি তেংনৌপল টিঐচ বিক্রমজিৎ, চিফ মেদিকেল ওফিসার তেংনৌপল কেঐচ গোজেন, পি ঐচ সি মোরেগী এম ও ইন চার্জ ডাঃ কেঐচ শান্তিকুমার অমদি অতৈ ওফিসারশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা দি সি, এস পি অমদি দাক্তরশিংনা কোবিদ–১৯ লায়চৎতগী চেকশিন্না লৈনবা অমদি য়ুমদগী মপাল থোকপদা ফেস মাস্ক উপ্পা, খুৎ শা নিংথিনা হামদোকপা, ফিজিকেল / সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং থম্বগী কাংলোনশিং নিংথিনা খংমিন্নখি হায়রি।

অহৈ অপা শাবা তোকপিয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

চাউখৎপদা লমজেল তান্নরিবা মালেম অসিদা মোবাইল ফোন্দা অথু অকাই থৌদোক কয়া খুদক্তা পাউ ফাওনরি অমসুং থৌদোক ৱাথোক কয়া উরি। মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা ইন্দিয়াগী মফম খরদা জেনরেল ইলেক্সন, বাই ইলেক্সন তৌরি। মনিপুরদসু মতম চাদনা মশাগীতা য়েংবশিংনা এম এল এ ওইররোই হায়না তোকখিবদগী সিট হাংদুনা লৈরবা কেন্দ্র খরগী মনুংদগী সিট ৫গী বাই ইলেক্সন পাংথোক্কদৌরি।

সিট অমা অন–কন্টেষ্টতা লোইখ্রবা মতুংদা নবেম্বর ৭তা সিট মরিগী ইলেক্সন পাংথোক্কদৌরি। মসিগা লোয়ননা অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাংনরি, চৈনরি। মোবাইল চাউখৎলবা মতমনি হায়দুনা ৱাটচঅপ, ফেসবুক্তা নাতৈ চাদবা মথোং হুক্তবা ফি থোংদবা পিকচর কয়া থাগৎতুনা অরানবা তৌহৈদবা ৱাফম কয়া থাগৎনরি। হৈশিংবা শাদুনা কাতু করান ওইবা ৱাফম, ফোটোনচিংবা থাগৎলিবদু ইকাইবা খংদবা শা–ঙা গুম্বনা চৎকদবা লমচৎনি হায়না ওল ইন্দিয়া তাঞ্জিম ঈ–ইন্সাব মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা লৌই।

মখা তানা হায়নিংবদি মমল য়াম্না তাংনা মোবাইল ফোন পায়রিবশিং অফবা ৱাফল খনবা ঙম্বা খুন্নাইগী অফবা তৌবা মীওই ওইহন্নিংই। ওইদবা শেমজিন শাজিনবা ফত্তবা ৱাফম থাগৎলক্লবদি মরি লৈনবশিংনা য়েংশিনবিয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

ভি দি এফ ২দা শেলগী মতেং পাংখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ভি দি এফ মেম্বরশিংগী মরক্তা অশি অনা, অশোক অপন থোক্লবা মতমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফিয়ার ফন্দগী শেনফম কাইথোক্তুনা লেপ্তুনা মতেং পাংবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা ভি দি এফ মেম্বর অনিদা শেলগী মতেং পাংখ্রে।

সিঐচ ইমোচা সিংহ, ৱাইখোং পি এসতা পোষ্টিং তাবা অমদি টিঐচ প্রেমকুমার য়াইরিপোক্তা পোষ্টিং তাবা অনি অসিদা ৱেলফিয়ার ফন্দগী লুপা লিশিং ৪০ কাইথোক্তুনা মতেং পাংখিবনি।

[illegible]